
# লম্বী অনী



**লম্বী অদু খন্দোকপা :** ঐখোয়না কৈদৌঙৈদসু চৎখিদ্রিবা মফম অমদা চৎপা হৌরক-পদা করম্বা লম্বীদা চৎকদগে হায়না হংই। ঐখোয়না অরানবা লম্বীদা চৎলে হায়বা খঙলবদি লৈথোক্ত্না অচুম্বা লম্বীদু থি। মুমিৎ খুদিংগী নহাক অমসুং ঐহাক্না লোম্বা নাইদবা মফমদু তম্না চৎলি। মফম অসিদি মাঙবা নাইদ্রবা অমসুং হোংবা ঙম্লরোইদবা মফম্নি। নহাক করম্বা লম্বীদা চৎলিবগে?

**ঐখোয়গী লমজিং লাইরিক :** ঈশ্বরনা ঐখোয়বু মুংশিবা অমসুং চানবিবদগী বাইবল অসি পীবিরে। লাইরিক অসিনা ঐখোয়দা স্বর্গ য়োনবা লম্বী শেংনা উৎপিরে। চেনা অসিদা য়াউরিবা অসি বাইবলদগী লৌথোকপা শরুক্নি। ইবুংঙো মহাক্কী য়াহৈসিদি ঐবু চিংবিনবা থাউমৈনি অমসুং ঐগী লম্বীগী মঙাল্নি (ঈশৈ লাইরিক ১১৯ : ১০৫)।

**অপাকপা লম্বী :** অপাকপা লম্বীসিদা চৎপা মী য়াম্মী। অসিগুম্বা নোংরোক্কী থোঙ্গান্দু য়োবা লম্বীদু পাকই অমসুং মদু য়োবা লম্বীদুদি লায় (মাথি ৭ : ১৩)। মী অয়াম্বগী মিৎ তাঙলে মখোয়না অমাঙবগী লম্বীদা চৎলি হায়বা মশানা খঙজদে অমসুং কায়সু থৌশাদে। নহাক্না

চুম্মী হায়না খঞ্জবা অদুনা শিবগী লম্বী তম্না চিংথিবস্থ য়াই (পাউরৌ ১৪ : ১২)। মখোয়গী পূক্লীংস্থ তাইবংপানবা অসিগী ফত্তবা লাইনা অমম্বদা থম্বিরে (২ কোরিস্থ ৪ : ৪)।

**পোৎলুমশিং :** লম্বী অসিদা চৎলিবা মীশিংনা পাপকী পোৎলুম পুত্নুনা চৎলি। মী খুদিংমক পাপ তোরে অমস্থুং ঈশ্বরনা কনবিগদবা অদুদগী লাপ্না চথোকখ্রে (রোম ৩ : ২৩)। ঐখোয়না ঈশ্বরগী মাঙদা পাপ অমতা লোৎপা ঙম্লোই। "মীওইবনা মপান্থোংদা য়েংই, অদুবু ঈশ্বরনদি থম্মোইদা য়েংই" (১ সামুয়েল ১৬ : ৭)। অরুম্বা পোৎলুমশিংদু মখোয়গী মনঙন্দা য়োৎহিলং কোহ্লোনা ফাজিন্দুনা থম্লে। ঐখোয়না হোৎনজবনা ইশানা তৌথিবা পাপ অমতদগী নাম্থোকপা ঙম্লোই। "পাপ্না মদুগী মহে ওইনা শিবা" পুরকই (রোম ৬ : ২৩)।

**নোংথাং কুপ্পা :** লাইয়েক অসিদা উরিবা নোংথাং কুপ্পগী মওং অসিনা ঈশ্বরগী ওইবা ৱায়েল উৎলিবনি। মী খুদিংমক অমুক্তি শিবা তাই অমস্থুং মদুগী মতুংদা ঈশ্বরনা মহাকপু ৱায়েনগনি (ইব্রিয়: ৯ : ২৭)। "অদুদগী ঐনা অচোবা অঙৌবা ফম্বাল অমা অমস্থুং মদুগী মথক্তা ফম্লিবা ইবুংঙোবু উরে…। অদুগা অশিবশিং অমদি অচৌ পিশক চপ মান্নবা ফম্বাল অদুগী মাঙদা লেপ্লিবা ঐনা উরে। লাইরিকশিং হাংদোক্লে, হিংলিবশিংগী লাইরিক অদুস্থ হাংদোক্লে অদুগা অশিবশিংবু মখোয়গী থবক্কী মতুংইন্না লাইরিক অদুদা ইশিনখিবদুগী মতুংইন্না ৱায়েল্লে। হিংবগী লাইরিক্তা মিং ইশিন্দবা মী খুদিং মৈগী পাৎ মম্লুংদা হুঞ্জিল্লে" (ফো: ২০ : ১১, ১২, ১৫)।

**মৈ :** ঈশ্বরদি অশেংবা অমস্থুং অচুম্বা ওইবনিনা পাপকী চৈরাক পীগনি। নোরোক লৈ হায়না ঈশ্বরগী ৱাহৈনা ঐখোয়দা হায়বি। নোরোক অসিদি ঈশ্বরবু হায়বা ইন্দবশিংবু লোম্বা নাইদবা দণ্ডি পীফম্নি। বাইবলনা হায়—মখোয় লোম্বা নাইদবা নোরোক্তা মাঙলগনি। মরমদি মখোয়গী লাইদি মখোয়গী হকচাংগী অপাম্বদুনি…মখোয়না তাইবংগী ওইবা পোৎশিংদতা থম্লি (ফিলি ৩ : ১৯)। অদুবু ঈশ্বরদি মুংশিহৈবনি। মহাক্না কনাগুম্বা অমফাওবা মাঙহন্নিংদে অদুবু মী পুম্নমক্না মখোয়গী পাপ্তগী পুক্লীং হোৎলকপা পাম্মী (২ পিতর ৩ : ৯)।

**হিংবগী লম্বী—কনবিবা মপু :** ঐখোয় ইশানা পাপ্তগী অমস্থুং ঐখোয়গী পাপকী মরম্না ফংগদবা মতিকচাবা দণ্ডি অদুদগী নাম্থোকচবা ঙমদবনা ঈশ্বরনা কনবিবা মপু অমা পীবিরে। "ঈশ্বরনা তাইবংপানববু য়াম্না মুংশিবিবগী মরম্না মহাক্কী অমতা ঙাইরবা মচানিপা যীশুবু পীবিরে, মচানিপা যীশুবু থাজবা মহাক অদুনা মাংদদুনা লোম্বা নাইদনা হিংবা ফংগনি" (যোহান ৩:১৬)। স্বর্গদা লৈবা ইপা ঈশ্বরনা মহাক্কী অমতা ঙাইবা মচানিপা যীশু খৃষ্টবু শায়োনহনবীদুনা স্বর্গদগী তাইবংপান্দা থাবিরক্লে। তাইবংপানসিদা মহাক মী অমা ওইনা লৈরম্মী। অদুবু মহাক্না পাপ খক তৌখিদে। মহাক্না অফবা থবক তৌথি, লাইনা-লাইথুং ফহনথি, ভুং চঙবা মীদগী ভুং তাম্থোকথি। মপাপকীদমক পুক্লীং ৱারবশিংবু কোকপিথি অমস্থুং ঈশ্বরগী মরমদা মীশিংবু তম্বিথি। অদুবু মহাক্না মী ওইনা পোক্লকপগী অথোইবা মরমদি ঐখোয় পুম্নমক্কীদমক ঈরাৎপোৎ ওইনা মহুৎ শিন্দুনা শিবিনবনি। অদুগা মহাক ঈশ্বরনি হায়বা উৎনবা অমস্থুং মহাক্কী পাপ চেন্দবা পুংনশি অমস্থুং মহাক্কী মমল য়ামথ্রবা ঈদু ঐখোয়গী পাপকী দণ্ডি ওইনা পীনবনি। শীমুংশি লৈত্রবা মীওইশিংনা মহাকপু পুথোকহনথি অমস্থুং শাথীনা ফুহনখি। মকোক্তা তিংথংগী

লুহুপ উপ্পিথি অমসুং অকোনবদা ক্রোসতা পাং তিংখি। "খৃষ্ট মশামক্না ঐখোয়গী পাপ অদু মহাক্কী হকচাংদা ক্রোসতা পুবিখ্রে" (১ পিতর ২ : ২৪)। ইবুংঙো খৃষ্টনা নহাক অমসুং ঐহাক্কীদমক মহুৎ শিন্দুনা শিবিখ্রে।

**যীশুনা শিবদগী অমুক হিঙ্গৎপা :** যীশু খৃষ্টনা মোংফমদা মুমিৎ হুম্নি লৈরুরবা তুংদা অশিবশিংগী মরক্তগী হিঙ্গৎলগা সেবোকশিংগা চৎমিন্নখি অমসুং বারী-বাতায় শামিন্নখি। অদুগা মুমিৎ নিফুনিগী মতুংদা মহাক্না স্বর্গদা লেঙখৎখি। মফমদুদা মহাক্না ঈশ্বরগী ফম্বালগী য়েৎথংবদা ফমদুনা লৈ রোম: ৮:৩৪)। ইবুংঙোদা স্বর্গ অমসুং পৃথিবীগী ওইবা মতিক পুম্নমক লৈরে (মাথি : ২৮:১৮)। যীশুগী মপান্না ঈশ্বরগী মফমদা চঙজরকপশিংবু হৌজিকসু কনবিবা ঙমই, মরমদি মহাক্না মখোয়গীদমক ঈশ্বরদা হায়জনবা মতম পুম্নমক্তা হিংদুনা লৈ (ইব্রিয় ৭:২৫)।

**স্বর্গ :** স্বর্গ অসি ঈশ্বরনা মতিক মঙান পুম্নমক্কা লোয়ননা লৈরিবা মফমনি। যীশুনা হায়খি : ঐনা নখোয়গীদমক মফম থোরাঙ তৌবা চৎকনি। ঐনা চত্তুনা নখোয়গীদমক লৈফম থোরাঙ তৌরগা ঐনা অমুক হল্লক্কুনা নখোয়বু ঐগী নাক্তা পুগনি। অদুনা ঐনা লৈবা মফম অদুদা নখোয়সু লৈগনি (যোহান ১৪ : ২, ৩)। স্বর্গ অসি য়াম্না অঙকপ্যা মফমনি। মফম অদুদা শিবা, অবাবা, কপ্পা নত্রগা অনাবগী চৈনাথোন অমুক লৈররোই। মফমদুদা অমম্বা অহিং অমুক লৈররোই, মরমদি ঈশ্বরনা মখোয়গী মঙান ওইরগনি (ফোং: ২১:৪, ২২:৫)। স্বর্গদি অশেংবা মফমনি। শেংদবা কনামত্তনা মফম অদুদা চঙলোই। অদুবু য়াউমচাগী লাইরিক্তা মমিং ইশিনখ্রবা মখোয় অদুতনা চঙগনি (ফো: ২১:২৭)। স্বর্গ চঙনবা লম্বী অমথক্তং লৈ। "ঐদি লম্বী অদুনি, অচুম্বা অদুনি অমসুং হিংবা অদুনি. মী কনা অমতনা ঐগী ইপান্না নত্তনদি ইপাগী মনাক্তা চৎপা ঙমলোই" (যোহান: ১৪ : ৬)। অরান খুবমদি যীশুবু থাজবতনা ফংগদবনি। তাইবংপান্দা ঐখোয়বু কনবিবা ঙম্বা অতোপ্পা অমা অমুক লৈত্রে (পাখোন: ৪ : ১২)।

## স্বর্গ য়োবা লম্বীদা ঐখোয়না করম্না চৎপা হোৌগনি

১। নহাক্কী পাপ্তগী লৈথোরক্কুনা অফবা য়াপাউদা থাজো (মার্ক ১ : ১৫)।

২। যীশু খৃষ্টদা চঙজো। যীশুনা হায় : ঐঙোন্দা লাকপা মী অদু ঐনা থক তাম্থোক্লোই (যোহান ৬ : ৩৭)। অক্লম্বা পোৎলুম পুবদা চোকথরবা নখোয় পুম্নমক ঐঙোন্দা লাকউ (মাথি: ১১ : ২৮)।

৩। পাপ্তগী নহাকপু হন্দোকপীনবা খৃষ্টদা থাজো। যীশুগী ঈনা পাপ খুদিংমক্তগী ঐখোয়বু শেংদোকপি (১ যোহান ১ : ৭)।

৪। মহাক্না নঙোন্দা লোম্বা নাইদনা হিংবা পীবিগনি। খৃষ্টনা হায়খি : ঐগী য়া তাবা অমসুং ঐবু থারকলবা মহাকপু থাজবা মী খুদিংনা লোম্বা নাইদবা হিংবা ফংলে। মহাকপু য়ায়েল তৌবিররোই, মহাক্কি শিবদগী হিংবদা লাম্থোক্লে (যোহান ৫ : ২৪)।

৫। হৌজিক্তি ঐখোয় থাজবগী মপান্না ঈশ্বরগী মাঙদা চুম্না লৈ। যীশু খৃষ্টগী মপান্না ঈশ্বরদগী শান্তি ফংলে (রোম ৫ : ১)। ঈশ্বরনা ঐখোয়দা লোম্বা নাইদবা হিংবা পীরে, হিংবা অদুদি মচানিপা খৃষ্টদগীনি। যীশুবু থাজবা মী খুদিংনা হিংবদু ফংলে। যীশুবু ফংদবা

মহাক অহুনা হিংবহু ফংন্রি। নখোয়দা লোম্বা নাইদবা হিংবা লৈ হায়বসি নখোয়না খঙনবা ঐনা চিঠি অসি ইরিবনি ( ১ যোহান ৫ : ১১-১৩ )।

## অনৌবা পুন্সি ফংলগা করম্না লেনগনি

১। নুমিৎ খুদিংগী বাইবল পাউ। মসিনা ঐখোয়গী লম্বীগী মঙাল ওইবতা নত্তনা থবায়গী চিঙাকস্থ ওইরিবনি। নৌনা পোকপদা ঙাইরিবা অঙাং মচাশিংগুম্না অশেংবা শঙ্গোমদু পামজো (১ পিতর ২ : ২)।

২। নুমিৎ খুদিংগী যীশুগী মিংদা হায়জবগা লোয়ননা ঈশ্বরদা নকশিজো। করিমত্তা লাংতক্লগনু, নহাক্কী অৱাৎপা অদুগীদমক নীজো। মীওইবগী খঙৈহৈবগী বাংমদা লৈবা ঈশ্বরনা পীবা শান্তি অদুনা খৃষ্ট যীশুগা তিন্নথ্রবা নহাক্কী থম্মোই অমসুং বাখল্লবু ঙাকশেনবিগনি ( ফিলি: ৪ : ৬—৭ )।

৩। নহাক্কী ইমুং মনুংদা যীশুনা নহাক্কীদমক তৌবিখ্রবা অমসুং মহাক্না নহাকপু কয়াদা চানবিখিবগে হায়বদু মখোয়দা তম্মু (মার্ক ৫ : ১৯)।

৪। অথেম্বা তারবদা ইবুংঙোবু কৌজো। অথেম্বা ফংলবা মীশিংবু মহাক্না পাংবিবা ঙম্মী। মরমদি মহাক মশামক অথেম্বা ফংদুনা অৱাবা নংখি (হিব্রু ২ : ১৮)।

৫। নহাক্না পাপ তৌরবদি ঈশ্বরদা নহাক্কী পাপ হায়দোকচৌ। "ঐখোয়না ঐখোয়গী পাপ ঈশ্বরদা হায়দোকচরবদি মহাক্না ঐখোয়গী পাপ কোকপিগনি অমসুং অয়ান-অহুই পুম্নমক্তগী ঐখোয়বু শেংহনবিগনি (১ যোহান ১ : ৯)।

৬। ইবুংঙো যীশু খৃষ্টবু থাজবশিংগা তিন্নবা হোৎনৌ। মসি ঐগী য়াথংনি : ঐনা নখোয়বু নুংশিবগুম্না নখোয়নসু অমগা অমগা নুংশিনৌ (যোহান ১৫ : ১২)।

৭। মতম পুম্নমক্তা ঈশ্বরগী হায়বা ইল্লু। ঐবু নুংশিবা মী খুদিংনা ঐগী ৱা ইনগনি (যোহান ১৪ : ২৩)।

৮। কিগনু, মরমদি খৃষ্টনা নহাক্তা লোয়নরি : "ঐনা নঙবু থক থনল্লোই, ঐনা নঙবু থক থাদোক্লোই (হিব্রু ১৩ : ৫)।

৯। ইবুংঙো যীশু খৃষ্টদা নশামক কখোকচৌ। অসুম তৌরবদি নহাক্না অশেংবা নুঙাইবদু ফংজগনি।

---

If you have found salvation in Christ, or have been otherwise blessed through our Gospel literature, please let us know. We would like to thank God with you, and remember you further in our prayers.

**Our Heart of Man Book can now be downloaded in 480 different languages onto cell phones, tablets, etc from our website www.angp-hb.co.za.**

For **free** Gospel literature, books and tracts in over 540 languages, write to:
**E-MAIL: info@angp.co.za**

**ALL NATIONS GOSPEL PUBLISHERS**
**P.O. Box 2191, PRETORIA, 0001, R.S.A.**
(A Gospel Literature Mission financed by donations)
(Reg. No. 1961/001798/08)